# সাউথ কোরিয়াগী মিসাইল দিফেন্সকী ৱারেপ্তা চাইনানা শাউনা রিয়েক্ট তৌখ্রে



বৈজিং, ফেব্রুৱারী ২৮ :
ওথোরিটিশিংবু য়ু এসকী মিসাইল দিফেন্স সিষ্টেম অমা দিপ্লোই তৌবা য়াহন্নবা সাউথ কোরিয়াগী লোটে গ্রুপকী এফিলিয়েট অমগী বোর্দনা গভর্ণমেন্টকা য়ানখিবা লম লৌশিনবগী ৱাফম অমা এপ্রুভ তৌখিবদা চাইনিজ ষ্টেট মিদিয়ানা খোয়রাং খোওশাউনবা অমসুং বোইকোটকী থ্রেটকা লোয়ননা রিয়েক্ট তৌখ্রে।

নোর্থ কোরিয়াগী মিসাইল থ্রেটকী পাউখুম ওইনা গভর্ণমেন্টনা হৌখিবা চহীদা লোটেগী গোল্ফ কোর্স অমগী শরুক্তা য়ু এসকী টর্মিনেল হায় অলটিচ্যুদ এরিয়া দিফেন্স (থাদ) সিষ্টেম দিপ্লোই তৌনবা ৱারেপ লৌখি।

গোল্ফ কোর্স অদু কেপিটেল সিওলগী খা নোংপোক্লোমদা সিওঞ্জু রিজনদা লৈবনি। লোটে ইন্টরনেসনল কো-লিমিটেদকী বোর্দনা গভর্ণমেন্টগা য়ানখিবা দিলদু নিংথৌকাবা নুমিৎতা এপ্রুভ তৌখি।

চাইনিজ টেরিটরিদা ফাওজিনবা ঙম্বা পৱারফুল ওইরবা রাদার অমা য়াওবা থাদপু সাউথ কোরিয়াদা দিপ্লোই তৌবগী ৱাফম চাইনানা কন্না য়ানিংদবগা লোয়ননা বৈজিংনা হায়রি মদুদি, সিওলনা থাংলক্লিবা খোঙথাং অদু চাইনাগী সিক্যুরিটিদা থ্রেট অমনি অমসুং মদুনা নোর্থ কোরিয়াগা লৈনরিবা টেন্সন হন্থহনবা ঙল্লোই।

‘ঐখোয়না লোটেবু চাইনা থাদোকহনবগী ৱাফম খন্নগদবনি’ হায়না হীরম কয়াদা ঈথিল চাউনা পীবা ঙম্বা ষ্টেটনা রন তৌবা চাইনিজ টেব্লোইদ গ্লোবেল টাইমসনা লৈবাকপোকপা নুমিৎতা ইদিটোরিয়ল অমদা হায়খি।

‘চাইনাদা সাউথ কোরিয়াগী কলচরগা মরী লৈনবা পোৎশকশিং চঙবদা অমসুং ইন্টরটেনমেন্ট এক্সপোর্টশিংদা থল্লিবা অথিংবশিং হেন্না পাকথোক চাউথোকহন্নবা অমসুং তঙাইফদ্রবদি পুংথিং থিংনবা চাইনিজ সোসাইটিগী মরক্তা কোওর্দিনেসন থম্লনবসু ঐখোয়না প্রপোজ তৌরি’ হায়না টেব্লোইদ অদুগী ইংলিস ইদিসনদা হায়খি।

পেপর অদুগী চাইনিজ ভর্সননা সাউথ কোরিয়াগী কারশিং অমসুং সেলফোনশিংসু টার্গেট তৌগদবনি হায়খি। ‘সাউথ কোরিয়াগী কারশিং অমসুং সেলফোনশিংগী মহুৎ শিনবা য়াবা চাইনাগী পোথোক কয়া লৈ’ হায়না পেপর অদুনা মখা তাখি।

‘খ্বাইদগী নৌবা থাদকা মরী লৈনবা দিলভপমেন্টশিংগী মতাংদা চাইনানা সাউথ কোরিয়াদা অনীরক হৌনবী মতুং ইন্না য়ানিংদবা ফোঙদোক্নুনা ইবা লৈখ্রে’ হায়না বৈজিংদা চাইনিজ ফোরন মিনিষ্ট্রিগী স্পোক্সমেন সেং সুৱাংনা নুংতিগী পীবা ব্রীফিং অমদা হায়খি।

# কিম জোং-নামগী মীহাৎতা চেন্নবা নুপী অনী মী হাৎপগী মরাল শীরগনি

কুলা লম্পুর, ফেব্রুৱারী ২৮ :
কুলা লম্পুরগী মরু ওইবা এয়রপোর্টতা নোর্থ কোরিয়াগী লীদরগী থাপতোক্লখ্রবা পোকমিন্নদবা ময়াম্বা কিম জোং-নাম হাৎপদা চেন্নখিবা নুপী অনী - ইন্দোনেসিয়ন অমা অমসুং ভিয়েটনামিজ অমা য়ুমশকৈশা নুমিৎতা মী হাৎপগী মরাল শীরগনি হায়না মালেসিয়াগী এটোর্নি জেনরেলনা হায়খ্রে।

ফেব্রুৱারী ১৩ দা এয়রপোর্টকী সিক্যুরিটি কেমেরাশিংনা রেকোর্দ তৌখিবা এটেক অমদা কিম জোং-নামগী মমায়দা নুপীশিংদুনা য়ু এনগী পাক শন্না মাঙহন-তাকহনবা ঙম্বা খুৎলায়শিংগী লিষ্টতা য়াওবা কেমিকেল অমা ওইরিবা ভি এক্স নর্ভ এজেন্ট তৈশিনখি হায়না পুলিসনা ফোঙদোকখ্রবনি।

য়ু এস অমসুং সাউথ কোরিয়াগী ওফিসলশিংনা কিম জোং-নাম অসি নোর্থ কোরিয়ানা চেকশিন্না শিন-লাংখিবা অসাসিনেসন অমগী ভিক্টিমনি হায়না থাজে।

মহাক্না মমাঙদা মহাক্কী ইমুং অমসুং মহাক্কী পোকমিন্নদবা মনাওনুপা কিম জোং-উনগী রেজিমবু ক্রিটিসাইজ তৌখি অমসুং মহাক বৈজিংগী প্রোটেক্সন মখাদা চাইনিজ টেরিটরি মাকাওদা লোই ওইনা লৈরকখি।

এটেক অদুগী মতুং নুমিৎ খরনিগী মনুংদা মালেসিয়ন পুলিসনা ভিয়েটনামিজ নুপী দোৱান থি হুৱোং অমসুং ইন্দোনেসিয়ন নুপী সিটি অইসাবু ফাখিবগা লোয়ননা মখোয়না হৌজিক নোর্থ কোরিয়ন নুপা অমা ফাজিন্দুনা থল্লি অমসুং মীয়ামবু মথুম-মরাং হৌহল্লিবা কেস অদুগা মরী লৈননা মখা তানা ফাবা পাম্বা অতোপ্পা নোর্থ কোরিয়ন তরেৎসু আইদেন্টিফাইদ তৌখ্রে।

এটোর্নি জেনরেল মোহম্মদ অপান্দি অলিনা হায়খি, ফাজিন্দুনা থল্লিবা নোর্থ কোরিয়ন অদু হৌজিক চার্জ তৌখিরোই। মহাক্কী রিমান্দ মতম ইরাই নুমিৎতা লোইগনি।

মিদিয়াদা রিলিজ তৌরবা সিক্যুরিটি কেমেরাগী ফুটেজনা কুলা লম্পুর ইন্টরনেসনল এয়রপোর্টকী দিপার্চর হোলদা নুপী অনীনা কিম জোং-নামবু এটেক তৌবা অমসুং ভিক্টিম অসিনা মেদিকেল ক্লিনিক অমদা চঙশিনবগী শক্তমশিং উৎখি। মহাক এটেক অদুগী মিনিট ২০ গী মনুংদা শিখি।

নুপী অনীমক্না মখোয়গী লৈবাকশিংগী দিপ্লোমেটশিংদা মখোয়বু রিয়েলিটি টিভি সো অমগী প্রাঙ্ক অমনি হায়না মখোয়না থাজখিবা ফিল্ম নম্বগী প্রোগ্রাম অমগীদমক্তা শেল পীখি হায়না ফোঙদোকখিবনি। শিবগী চৈরাক পীবা য়াবা পেনাল কোদকী সেক্সন ৩০২ গী মখাদা নুপীশিং অদু হৌনবী মতুং ইন্না চার্জ তৌরগনি হায়ন মালেসিয়াগী এটোর্নি জেনরেলনা ফোঙদোকখি।

# জপানগী ফুকুসিমা মনাক্তা মেগনিচুদ ৫.৬ কন্না য়ুহা হাখ্রে

টোকিয়ো, ফেব্রুৱারী ২৮ :
মমাঙদা অমাঙ-অতা থোকখ্রবা ফুকুসিমা ন্যুক্লিয়র প্লান্টগী মনাক নক্না জপানগী অৱাং-নোংপোক থংবা শরুক্তা লৈবাকপোকপা নুমিৎতা মেগনিচুদ ৫.৬ কন্না য়ুহা হাখ্রে তৌইগুম্বসুং সুনামি থোক্লক্কনি হায়বগী মীপাইনিঙাইদি ওইদে হায়না জপানিজ অমসুং য়ু এস ওথোরিটিশিংনা ফোঙদোকখ্রে।

য়ুহা হাবা অদু নামি টাউনগী অৱাং-নোংপোক অমসুং নোংপোক্কী ময়ায় থংবা মায়কৈদা কিলোমিটর ৩৪ লাপ্পা পেসিফিক ওসিনদা কিলোমিটর ৪২.৩ (মাইল ২৬) লুথনা থোকখি হায়না য়ু এসকী জিওলোজিকেল সর্ভেনা ফোঙদোকখি।

জপান মিটিওরোলোজিকেল এজেন্সিনা হায়খি, য়ুহা হাবা অদুনা সুনামি থোকহল্লকপা য়াবগী মওং লৈতে। মদুনা টোকিয়োদা লৈবা অৱাংবা বিল্ডিং খরা হাইহনখি।

লোকেল সার্ভিস ত্রেন খরগী সার্ভিসশিং লেপ্লবসু খুদক্কী ওইনা তেকপা-কাইবা নৎত্রগা শোকপা পনবগী পাউ লৈখিদে হায়না পব্লিক ব্রোদকাষ্টর এন ঐচ কেনা হায়খি।

ফুকুসিমা প্লান্টগী ওপরেটর টোকিয়ো ইলেক্ট্রিক পৱারনা মহৌশাগী ফীভমদা কাইবগী মওং লৈতে হায়খি।

হৌখিবা কুমজা ২০১১ গী মার্চ ১১ দা সি খোংনুংদা থোকখিবা অচৌবা য়ুহা হাবা অমনা নোর্থ ইষ্ট কোষ্টতা চাউরবা সুনামি অমা হৌহন্দুনা মীওই ১৮,৫০০ হেন্না শিহনখি নৎত্রগা থিবা খঙহনখিদে অমসুং ফুকুসিমা ন্যুক্লিয়র প্লান্টগী রিয়েক্টর অহুম শৌদোকহনখি।

# ওষ্ট্রেলিয়ন অমা আই এস আই এসনা মিসাইল টেক্নোলোজি দিভলপ তৌবদা মতেং পাংবগী মরালদা ফাগৎখ্রে



সিদনি, ফেব্রুৱারী ২৮ : ওষ্ট্রেলিয়াগী কাউন্টর টেররিজম পুলিসনা লৈবাকপোকপা নুমিৎতা খুঙ্গংগী মফম অমদা রেইদ অমা চথুদুনা মশক খঙদবা নুপা অমা ফাগৎখ্রে অমসুং মহাকপু আই এস আই এসকী মিসাইল টেক্নোলোজি দিভ্লপমেন্টগী থবক্তা মতেং পাংই হায়না মরাল শীখ্রে। মদু ওষ্ট্রেলিয়াদা অদুগুম্বা মখলগী অহানবা মীফানি হায়রি।

হুইগী স্কৱাদ অমা অমসুং মেটল দিটেক্টরশিং পায়বা ওফিসর খরা য়াওনা পুলিস পার্সনেল দজন কয়ানা লৈবাকপোকপা নুমিৎকী অঙনবদা সিদনিগী খা নোংচুপলোমদা কিলোমিটর ২৭০ রোম লাপ্পা য়ংদা লৈবা প্রোপর্টি অমদ রেইদ চথখি হায়না ওষ্ট্রেলিয়ন মিদিয়ানা পিকচরশিংগা ফোঙদোকখি।

ওষ্ট্রেলিয়ন ফেদরেল পুলিসকী এসিষ্টেন্ট কম্মিস্নর ওফ কাউন্টর-টেররিজম ইয়ান মেককার্টনিনা হায়খি, পুলিসনা চহী ৪২ শুরবা নুপা অদু গাইদেদ মিসাইলশিং দিটেক্ট তৌনবা টেক্নিকেল কেপেবিলিটি করম্না দিভলপ তৌগদগে অমসুং মখোয়গী ওইবা মিসাইলশিং করম্না শাগদগে হায়বগী মতাংদা টেরর গ্রুপ অদুবু পাউতাক পীরম্বগী মরাল শীরগনি।

‘আই এস আই এসনা মখোয়গী ওইবা লোং-রেঞ্জ গাইদেদ মিসাইলগী কেপেবিলিটিশিং দিভলপ তৌনবা হোৎনবদা মতেং পাংবা ওইনা মহাক্না সিষ্টেম কয়াগা মরী লৈননা রিছার্চ, দিজাইনিং অমসুং মোদেলিং তৌরকই হায়নসু ঐখোয়না মহাকপু মরাল শীগনি’ হায়না মেক কার্টনিনা ফোঙদোকখি।

অতৈ পুলিস কাঙবু অমনা নুপা অদু লেজর মিসাইল ৱার্নিং দিভাইস অমা পুথোক্লবা রিছার্চ তৌনবা হোৎনখিবা মীশক্কি হায়নসু মরাল শীখি।


ইলেক্ট্রিসিয়ন অমা ওইনা ত্রেন তৌখিবা ওষ্ট্রেলিয়া মচাদু লৈবাকপোকপা নুমিৎতা কোর্টতা পুথোকপা য়াই হায়না পুলিসনা ফোঙদোকখি।

হন্দক চয়োল খরসিদা আই এস আই এস গ্রুপ্তা কোলিসননা লেপ্তুনা এয়রষ্ট্রাইকশিং চথখি। সিরিয়া অমসুং ইরাক্তা গ্রুপ অসিনা পায়শিল্লম্বা লম কয়া গর্ভর্মেন্ট অমসুং মীচঙশিংগী খুৎতা তাখি।

আই এস আই এসকী মায়োক্তা চথখিবা এয়র ষ্ট্রাইক খরদি ওষ্ট্রেলিয়ন এয়র ফোর্সকী প্লেনশিংনা পাঙথোকখি। য়ু এসকী অকনবা মীচঙ অমা ওইরিবা ওষ্ট্রেলিয়ানা অফঘানিষ্টান অমসুং ইরাক্তা ক্রুপ কয়াসু লাল শোক্লনবা থাখি অমসুং কুমজা ২০১৪ দগী হৌনা লৈবাক অসিদগী থোক্লকখিবা টেররিষ্টশিংনা এটেক কয়া চথরকপা য়াবগী ফীভম য়েংদুনা সিক্যুরিটিগী চেকশিন থৌরাংশিং কনখৎখি।

ইস্লামিক ষ্টেটকুম্বা গ্রুপশিংগা লোয়ননা লাল শোক্লনবগীদমক্তা মীওই ১০০ রোম সিরিয়াগীদমক থাদোকখ্রে হায়না ওষ্ট্রেলিয়াগী ইম্মিগ্রেসন মিনিষ্টরনা হৌখিবা চহীদা ফোঙদোকখিবনি।

# বাংলাদেশতা জপানিজ অমা হাৎখিবগীদমক্তা লালহৌবা ৫ শিবগী চৈরাক পীখ্রে




ধাকা, ফেব্রুৱারী ২৮ :
ফোরেন্নরশিং, মাইনোরিটি হিন্দুশিং অমসুং সেক্যুলর মুস্লিমশিংদা টার্গেট তৌবা অহানবা এটেকশিংগী মনুংদা অমা ওইনা বাংলাদেশতা হৌখিবা কুমজা ২০১৫ দা জপানিজ অমা তমথীনা হাৎখিবগীদমক্তা অথিংবা থমখ্রবা জে এম বি আউটফিটকী ইস্লামিষ্ট মিলিটেন্ট মঙা ঙসি শিবগী চৈরাক পীখ্রে।

‘মখোয় শিদ্রিফাওবা মঙকশমদা থৌরি থুরগা য়াম্থগনি’ হায়না রাংপুরদা লৈবা স্পেসল কোর্টকী জজ নোরেশ সরকারনা লাউথোকখি। ফাজিন্দুনা থম্লকখিবা কনভিক্ট মঙাদু অকনবা সিক্যুরিটি কভরগা লোয়ননা কোর্ট রুমদা পুরকখি।

জজমেন্ট অদুদা অসুম্না হায়খি মদুদি, জামাটুল মুজাহিদিন বাংলাদেশ (জে এম বি) গী ওপরেটিভশিংদুনা বাংলাদেশকী মিংচৎ থীহন্নবা অমসুং তং-তাবগী ফীভম থুগায়নবা মাঙজৌননা থৌরাং তৌবা থৌওং অমদা মশাগী চহী ৬৪ শুরবা জপানিজ সিটিজন কুনিও হোসিবু মীহাৎ থীনা হাৎখি।

বাংলাদেশকী নোর্থ ৱেষ্টন টাউন রাংপুরদা ফার্মহাউস অমা শেমগৎখিবা জপানিজ লৌমী অমা ওইরিবা হোসিদা মিলিটেন্টশিংদুনা টার্গেট তৌখিবনি হায়রি।

জজ অদুনা মীহাৎপগী কেস অদুদা একুজ তরুক্কী মনুংদগী অমা মরাল লৈতে হায়না লাউথোকখি অমসুং মীচেল ওইরবা কনভিক্ট অমনা মশা য়াওদনা ৱায়েল চথখি।

হোসিনা মহাক্কী নাপীগী ফার্ম তম্না চৎলিঙৈদা মোটোরসাইকল তোংবা জে এম বিগী মিলিটেন্টশিংদুনা মঙোন্দা নোংমৈনা হঞ্জিন-হঞ্জিন কাপশিনখি হায়রি।

অহানবদা জে এম বিগী মীওই নিপান হোসিগী মীহাৎতুদা মরাল শীখি তৌইগুম্বসুং মখোয়গী মনুংদগী অনীদি পুলিসকা খুৎ থোক্লবদা শিখি।

ধাকাগী দিপ্লোমেটিক এরিয়াদা লৈবা কৈথেল অমদা মোটোরবাইক তোংবা মিলিটেন্টশিংনা চহী ৫০ শুরবা ইটালিয়ন এইদ ৱার্কর অমা কাপ্তুনা হাৎখিবা মতুং নুমিৎ মঙানি লৈরগা হোসিবু হাৎপগী থৌদোক্তু থোকখিবনি।

ইস্লামিক ষ্টেট মিলিটেন্ট গ্রুপনা এটেকশিং অদু মখোয়না পাঙথোকখিবনি হায়না ক্লেম তৌখি, তৌইগুম্বসুং গভর্ণমেন্টনদি গ্রুপ অদুগী ক্লেমদু য়ানিংদবা ফোঙদোক্লদুনা রেদিকেল গ্রুপ অদু বাংলাদেশতা লৈতে হায়খি। খুদিংমকসি ওইদুনসু জে এম বি অসি মীরৈবাক্কী ইস্লামিষ্ট গ্রুপ অদুগা নকশিন্নবা পাম্বা আউটফিট অমনি হায়না ওফিসলশিংনা ফোঙদোকখি।

বাংলাদেশতা সেক্যুলর এক্টিভিষ্টশিং, রিলিজ্যস মাইনোরিটিশিং, ব্লোগরশিং অমসুং মীরৈবাক মচাশিংদা কিনিঙাই ওইবা এটেক কয়া চথবগী থৌদোকশিং থোকখি।

# ত্রম্প অমসুং সি জিনপীংগী সম্মিট মে থা ফাওবগী মনুংদা পাঙথোক্লবা য়াই





বৈজিং, ফেব্রুৱারী ২৮ :
য়ু এস প্রসিদেন্ট দোনাল্ড ত্রম্প অমসুং মহাক্কী চাইনিজ লেঙমান্নবা সি জিনপীংগী মরক্তা খরা ঙন্না মে থা ফাওবগী মনুংদা মীফম অমা পাঙথোকপা য়াবগী ঈঙ্গিৎশিং লৈরকপগা লোয়ননা চাইনা অমসুং য়ুনাইটেদ ষ্টেটসকী মরীদা অহোংবা ফীভম অমা লাকপা য়াই হায়রি।

চাইনাগী টোপ দিপ্লোমেট য়াং জিচিগা ত্রম্পকী এদমিনিষ্ট্রেসনগী ওফিসলশিংগা অৱাংবা থাক্কী ৱারী কয়া শানরবা তুংদা লুচিংবা অনীগী মরক্তা সম্মিট অমা পাঙথোকপা য়াবগী থাজবা লাকখি। য়াংনা নিংথৌকাবা নুমিৎতা ত্রম্পকসু উনখি।

চাইনানা মসিগী বেল্ট এন্দ রোদ ইনিসিয়েটিভ (বি আর আই) গী মতাংদা মে থাদা সম্মিট অমা থৌবু ওইদুনা পাঙথোক্লবা থৌরাং তৌরি, তৌইগুম্বসুং প্রপোজ তৌরিবা প্রসিদেন্সিয়ল সম্মিট অদু মেগা ইভেন্ট অসিগা মরী লৈনৈ নৎত্রগা লৈনদে হায়বদুদি শেংনা খঙবা ঙমদ্রি।

হন্দক্কী ষ্টেট কাউন্সিল্লর য়াংগী য়ুনাইটেদ ষ্টেটস খোঙচৎ অসি প্রসিদেন্ট সি অমসুং প্রসিদেন্ট ত্রম্পকী মরক্তা মে থাদগী ফাওবা ঙনখৎনা মীফম পাঙথোকপা য়ানবা হোৎনবগী পান্দমদা পাঙথোক্লিবনি হায়রি। করিগুম্বা ত্রম্পনা মেদা পাঙথোক্কদৌরিবা বেল্ট এন্দ রোডকী সম্মিটতা য়াওরকপা তারবদি মহাকপু ঐখোয়না হরাউনা ৱেলকম তৌগনি’ হায়না রেনমিন য়ুনিভর্সিটিগী স্কুল ওফ ইন্টরনেসনল রিলেসন্সকী প্রোফেসর ৱাং য়িৱাইনা ‘হিন্দু’ পাউচেদা হায়খি।

লৈবাকপোকপা নুমিৎতা ফোঙখিবা সিনহুৱাগী রিপোর্ট অমনা হায়খি মদুদি, য়াংনা ত্রম্পকা উনখি অমসুং উনবদুদা য়ু এসকী ভাইস প্রসিদেন্ট মাইক পেন্স অমসুং ত্রম্পকী মমাকনুপা জারেদ কশনরসু য়াওখি।

থা অসিগী অঙনবদা প্রসিদেন্ট সি অমসুং প্রসিদেন্ট ত্রম্পকী মরক্তা টেলিফোনদা ৱারী শানখিবা মতুংদা চাইনিজ ওফিসল অসিগী ৱাশিংটন খোঙচৎতু লাকখিবনি। লুচিংবা অনীনা টেলিফোনদা ৱারী শানখিবদুদগী অৱাংবা থাক্কী কন্টেক্টশিং মথং মথং লাকখি।

জর্মনিগী বোনদা জি-২০ গী ৱারী শানবদা চাইনিজ ফোরন মিনিষ্টর ৱাং য়িনা য়ু এসকী সেক্রেটরি ওফ ষ্টেট রেক্স টিলরসনগা উনখি। য়াংনা হৌখিবা চয়োলদা টিলরসনগসু ৱারী শানখি।

হোং কোংদা ফোঙবা নুংতিগী পাউচে সাউথ চাইনা মোর্নিং পোষ্টনা ফুদান য়ুনিভর্সিটিগী সেন্টর ফোর অমেরিকান ষ্টদিজগী দিরেক্টর ৱু সিনবোগী ৱারোল পল্লদুনা হায়খি মদুদি, মে থাদগী থেংথবা তৌদনা সি অমসুং ত্রম্পকী মরক্তা সম্মিট অমা পাঙথোকপা য়াই।




## EMPLOYMENT NEWS

### RMLIMS Recruitment – 16 Professor, Additional Professor, Associate Professor & Assistant Professor Vacancies – Last Date 30 April 2017

Dr. Ram Manohar Lohia Institute of Medical Sciences, Gomti Nagar, Lucknow invites Application for the post of 16 Professor, Additional Professor, Associate Professor & Assistant Professor in specialty & super specialty departments. Apply before 30 April 2016.
Advt No. : 06 /Dir.Camp/RMLIMS/2016
**Job Details :**
Post Name : Professor
No of Vacancy : 01 Post
Pay Scale : Rs. 37400-67000/-
Grade Pay : Rs. 10500/-
Post Name : Additional Professor
No of Vacancy : 01 Post
Pay Scale : Rs. 37400-67000/-
Grade Pay : Rs. 9500/-
Post Name : Associate Professor
No of Vacancy : 07 Posts
Pay Scale : Rs. 37400-67000/-
Grade Pay : Rs. 9000/-
Post Name : Assistant Professor
No of Vacancy : 07 Posts
Pay Scale : Rs. 15600-39100/-
Grade Pay : Rs. 8000/-
**Eligibility Criteria for RMLIMS Recruitment :**
Educational Qualification : D.M./ M.S./ M.Ch. in relevant specialty with relevant experience OR As mentioned in the "Minimum Qualification For Teachers In Medical Institutions regulations, 1998 " amended from time to time by MCI.
Nationality : Indian
Age Limit : (As on 01.04.2016)
For Assistant Professor/Additional Professor : 50 years
For Professor : 65 years

**Job Location : Lucknow (Uttar Pradesh)**
**Application Fee :** Rs. 1000/- which is to be submitted as demand draft in favor of "Finance Controller, Dr.Ram Manohar Lohia Institute of Medical Sciences, Gomti Nagar, Lucknow", payable at Lucknow.
**How to Apply RMLIMS Vacancy :** Interested Candidates may apply in prescribed application along with self attested copies of relevant documents, two self addressed envelopes with each Rs. 40/- postal stamp & application fee send to "The Director, Dr. Ram Manohar Lohia Institute of Medical Sciences, Vibhuti Khand, Gomti Nagar, Lucknow 226010 (U,P.), India." on or before 30.04.2016.
**Important Dates to Remember :**
Last Date For Submission of Application : 30.04.2016
**Important Links :**
Detail Advertisement & Application Form Link : http://www.drrmlims.ac.in/rml_admin/upload/1105Faculty%20all%20post%20Advertisement%2004.04.2016.pdf

### Reserve Bank of India – RBI Recruitment – 19 Manager & Assistant Manager Vacancies – Last Date 16 March

**RBI Recruitment 2017**
Reserve Bank of India (RBI) invites application for the post of 19 Manager & Assistant Manager. Apply Online before 16 March 2017.

Advt No. : 4/2016-17
**Job Details :**
Post Name : Manager (Civil) in Grade B
No. of Vacancy : 02 Posts
Pay Scale : Not Specified
Post Name : Assistant Manager (Rajbhasha) in Grade A
No. of Vacancy : 10 Posts
Pay Scale : Not Specified
Post Name : Assistant Manager (Secuirty) in Grade A
No. of Vacancy : 07 Posts
Pay Scale : Not Specified
**Eligibility Criteria for RBI Recruitment :**
Educational Qualification : Details of Eduaction qualification available on 01.03.2017 at Official website.
Nationality : Indian
Age Limit : As per RBI Rules

**Job Location : All India**
**How to Apply RBI Vacancy :** Interested candidates may apply Online through the website http://www.rbi.org.in form 01.03.2017 to 16.03.2017.
**Important Dates to Remember :**
Starting Date for Submission of Online Application : 01.03.2017
Last Date for Submission of Online Application : 16.03.2017
**Important Links :**
Detailed Advertisement Link : http://www.sarkarinaukrisarch.in/wp-content/uploads/2017/01/rbi.pdf

### Central Electronics Limited – CEL Recruitment – 19 Technical Manager, Officer & Various Vacancies – Last Date 31 March 2017CEL Recruitment 2017

Central Electronics Limited (CEL) invites application for the post of 19 Technical Manager, Officer & Various Vacancies on contractual basis. Apply Online before 31 March 2017.

Advt No. : 98/PERS/1/2017
**CEL Job Details :**
Post Name : Technical Manager (Materials Management)
No. Vacancies : 03 Posts
Pay Scale : Rs.24900-50500/-
Post Name : Officer (IT & ERP)
No. Vacancies : 02 Posts
Pay Scale : Rs.16400-40500/-
**Eligibility Criteria for CEL Recruitment :**
Educational Qualification :
For Technical Manager : Candidate should have B.E/B.Tech degree with minimum 55% marks OR should be a Graduate and MBA/PGDM/PGP with minimum 55% marks.
For Officer : candidate should have B.E/B.Tech degree in Computer Science/Information Technology/MCA with minimum 55% marks.
Nationality : Indian
Age Limit : Maximum age limit is 38 years for Technical Manager & 38 years for Officer as 01.02.2017
Age Relaxation : for SC/ST 05 years, for OBC (Non Creamy Layer) 03 years & For PwD 10 years

**Job Location : All India**
**Selection Process :** Selection will be based on Interview.
**Application Fee :** Candidates have to pay Rs.300/- through online transaction, using Credit Card/Debit Card/Net Banking. No application fee need to be paid by candidates belonging to SC/ST/PwD.
**How to Apply CEL Vacancy :** Interested candidates may apply Online through the website www.celindia.co.in from 01.03.2017 to 31.03.2017 .
**Important Dates to Remember :**
Starting Date for Submission of Online Application : 01.03.2017
Last Date for Submission of Online Application : 31.03.2017
**Important Links :**
Detail Advertisement Link : http://www.celindia.co.in/drupal7/sites/default/files/Detailed%20Advertisement%20No.98-Pers.-1-2017%20%281%29.pdf
**Apply Online :** https://hr2016.celsolar.in/